# থাগৎ ৱাহৈ

অহানবমক্তদা থিসিস অসি ইবদা লমজিংখিবা মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী ওজা প্রো: হাওবম ননী কুমার সিংহগী মফমদা ইকায় খুমনবা অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎচরি। থিসিস অসি ইবদা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা পুকনীং চীংশিনবা ঙম্বা প্রোৱ্রম কয়া লাকপদা মহাক্কী অচীনবা মতম কয়া কাইথোকতুনা খনন নৈনবগী খুদোংচাব কয়াসু লেপতনা পীবিখি। থিসিস অসি মপুং ফানা লোইনবগী দমক ওজাগী অচুমবা লমজিং, অমদি পূকনীং থৌগৎপীবা অমসুং পীবিখিবা মতেংশিং অদুগী দমক অমুকক হননা ওজাগী মফমদা নোলুকপগা লোয়ননা তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

মথংদা দিপার্তমেন্ট অসিদা ঐবু তমবীরকখিবা ওজা প্রো: এস. সরত চন্দ্র সিং, প্রো: ৱারীবম রঘুমনি সিং, প্রো: মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিং, ডা:হাওরোংবম রাজমনি সিংহ অমসুং ডা: আর,কে নিরমোলা সনা ওজাশিং অসিগী মফমদসু ইকাই খুমনবা অমসুং তৌবিমল খঙবা উৎচরি। ওজা শিং অসিনা পি এইচ. দি প্রোগ্রাম অসিগী থৌরম পরিংদা ঐবু পূকনিং থৌগৎপীখিবতা নওনা মমল য়াম্লবা মতেং কয়াসু পীবিখি। মসিগী দমক ওজাশিংদা ইকাইখুম্নবা উৎচরি।

থিসিস অসি ইবদা লাইরিক্কী মতেং লৌখিবা মণিপুর ইউনির্ভাসিটি কানচিপুর ইম্ফালগী লাইব্রেরিদগী মরী লৈনবা লাইরিকশিং ফংখিবা অদুগী দমক লাইব্রেরী অসিগী ওথোরিতিদসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

মথংদা ঐগী অপোকপী ইমা সাইখোম ওংবী অমলাদেবী অমসুং ইপা সাইখোম গোপেন্দ্র সিংহ চৌধুরীগী মফমদসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি। মখোয়গী মতেং, পুকনীং থৌগৎপীবা অমদি চানবীবশিং অসিনা মরম ওইদুনা থিসিস অসি মতমচানা লোইবা ঙমখিবনি। অদুগা ঐগী ইচে হুইরেম ওংবী অঞ্জু দেবীনা থিসিস অসিগী ইনবা মরী লৈনবা লৌশিং জ্ঞান, পীদুনা তাথোক তাসিন তৌবদা মতেং পাংখিবা অদুগী দমক তোঙাননা নিংশিংদুনা লৈরগনি।

থিসিস অসিবু নীংথিজনা কমপিউতার প্রিনতিং তৌবদা ঐগী মতেং পাংবীখিবা অজিত দেবগী মফমদসু থাগৎপা ফোংদোকচরি। লোয়ননা অরোইবদা মফম অসিদা মমিং পনখিদ্রবসু থিসিস অসিগী মতাং অমদা নৎত্রগা মতাং অমদা করিগুমবা মত্তং অমদা মখোয়গী মতেং ফংখিবশিং অদুগী মফমদসু তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

টুনী দেবী

শিলচর, জানুয়ারী, ২০১৪ টুনী দেবী